# এনসিটিসি লিংবগী লৈবাক ৱাথোক ওইরিঙৈ

## মণিপুর এন্টি টেরর স্কুল লিংবদা সেন্টরনা অয়াবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৭ঃ হৌখিবা মে ৫ দা নিউ দিল্লিগী বিজ্ঞান ভবন্দা পাঙথোকখিবা লৈবাকসিগী চিফ মিনিষ্টরশিংগী কনফরেন্সতা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা নেসনেল কাউন্টর টেরোরিজম সেন্টর (এনসিটিসি) লিংবগী মতাংদা নাকোয়ননা শৌগৎলমখিবা অদুগা ইকান কান্নদনা সেন্টরনা মণিপুর য়াওনা নাগালেন্দদা এন্টি টেরর স্কুল লিংনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হোম এফিয়ার্সকী ষ্টেট মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি, ‘‘স্কুলশিং অসি লিংখৎপগী পান্দমদি ষ্টেটশিং অসিনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লাম্থেংননবা ত্রেনিং তৌবগী থাক অদু ৱাংখৎহনগনি। অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা লালহৌবগী ইরাং অসি লাকশিন্নবা মতমগা চপ চানবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি অমসুং এন্টি টেরোরিজমগী টেক্নিকশিং মমুৎ তানা খঙহনবগী পান্দমদা এন্টি টেরর স্কুল অসিগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, হৌজিক ইন্দিয়াগী ষ্টেট তরেৎতা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি এন্দ এন্টি টেরোরিজম (সিআইএটি) স্কুল ১৭ তা পুলিসকী মীওইশিংদা মখল-মখা কয়াগী ত্রেনিং কোর্স কয়ামুক পীরি। চৎলিবা চহি ২০১২ অসিগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা পুলিসকী মীওই ১৮,৩৮৯ ত্রেন তৌখ্রে।

অসামগী সিআইএটি স্কুল অহুম অমসুং ত্রিপুরাগী স্কুল অমনা হৌখিবা মার্চ ২৮ ফাওবদা মথংশিংনা পুলিসকী মীওই ২,১৮২ অমসুং ২১৮ ত্রেনিং পীখ্রে। মণিপুর অমসুং নাগালেন্দা লিংখৎকদৌরিবা সিআইএটি স্কুলশিং অসিগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৬ রোম কায়থোক্লবা য়াই। ত্রেনিং স্কুল অনি অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী পুলিস ফোর্সশিংসু ত্রেনিং পীরবা য়াই হায়খি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী থাক হেনগৎনবগীদমক্তা স্কুলশিং অসিদা কাউন্টর টেরোরিজমগী মোর্দন টেকনিক পুন্নমক তমগনি। ফোরেনগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা ত্রেনিং পীবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

হৌজিকমক্কী ওইনদি মিজোরামগী ভাইরেংতে জঙ্গল ৱার ফেয়ার স্কুলদা লৈবাক অসিগী অমদি মীরৈবাক্কী ফোর্সশিং কাউন্টর টেরোরিজমগী ত্রেনিং পীবগী থবক চথরি। হৌখিবা চহি ১৯৭০ দা লিংখৎখিবা ভাইরেংতে স্কুলদা য়ুএসএ, ম্যান্মার, সোমালিয়া, নাইজেরিয়া, শ্রীলঙ্কা অমসুং অফগানিষ্টান্নচিংবা লৈবাক কয়াগী লান্মীশিং কাউন্টর টেরোরিজমগী ত্রেনিং পীখ্রে। পনবা য়াবদি মণিপুরদা লিংগনি হায়রিবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি এন্টি টেরোরিজম স্কুল অসি হান্নদগী জিরিবামদা লিংবগী থৌরাং লৈরিবনি।